# কুমজা ২০১৪দা সাউথ কোরিয়াদা তৌখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা য়াওবা ফংখিদবদু ঐগী ওইনা ৱাখল খ্বাইদগী নুংঙাইখিদে



এলাংবম পান্থোই চনু
ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর

(ঙরাংগী মখা)

গোলকিপর শান্নরোয় অমা ওইনা ঐনা ফংজখিবা এৱার্দশিংদি আই দব্লিয়ু লীগতগী থংন-থংননা বেষ্ট গোলকিপরগী অনীরক, অদুগা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না পীবা এমেজিং ওফ দ য়রগী মনাসু ঐহাক কুমজা ২০১৭/২০১৮দা ফংবা ঙমজখি। ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না পীবীবা ফুটবোল্লর ওফ দ য়রগী মনাসু ঐহাক কুমজা ২০১৬/২০১৭কী ওইনা লৌবা ঙমজখ্রে। ২৫শুবা সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ কুমজা ২০১৮/১৯দসু বেষ্ট গোলকিপর তাজরকখ্রে। অদুবু, ঐহাক হৌজিকসু হোৎনগদবদি য়াম্না ৱাৎলি। ইশাগী ওইনা তৌজবা টার্গেট কয়াসু লৈজরি।

কুমজা ২০০৭তগী শান্নজরকপা অসিদা অৱাবসু, নুংঙাইবসু, অপেনবসু-পেন্দবসু কয়া অমদি থেংনজরকখ্রে। ঐগী ওইনদি ঙসি ফাওবা শান্নজরকপসিদা ঐগী হেক লৈজবা থৌনা লৌশিং লোইনা পুথোক্তুনা শান্নজখি হায়নসু খঞ্জে। অদুনা অঙাং ওইজরবসু ইন্টরনেসনল থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদসু শোয়দনা চৎপা ফংগনি হায়না থাজবা হেক্তা থল্লুই। অদুবু করিগুম্বা মতমদদি চহীগী য়েংলগা খন্দোক্লম্বসু লৈখি। ত্রায়লগুম্বদা পার্ফোর্মেন্স ফজনা পীখ্রবসু, নঙদি চহী খিত্তং নৌরি হায়দুনা সিলেক্সন ফংখিদবা মতাংসু অদুম য়াওখি।

ত্রায়ল সিলেক্সনগী অকনবা কম্পিটিসন লাকপা মতমদদি ঐহাক্কী ওইনদি য়াম্না কন্নসু হোৎনজৈ। সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা কুমজা ২০১২গী মতমসিদগীদি ঐহাক ফজনা শান্নবা হৌজরকখ্রে।

শান্নরোয় ওইজরিবা ঐখোয়গীসু ইশা-ইশাগী ওইবা অচৌবা মঙলান অমমমদি লোইনা লৈনরিবা ঙাক্তনি। এসিয়ন গেমস হায়বসি অমরোমদসু এসিয়া মহাদেশকী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা স্পোর্টস কম্পিটিসন অমনি। অসিগুম্বা গেমস অমদা য়াওজবা ফংবা হায়বসি ঐখোয়গীসু থাক অমা হাইগৎপগুম্বনি।

অদুবু, মতমদুদা ঐহাক্না অচৌবা মঙলান অমা মঙলুরগসু ঐহাক ইন্দিয়া কেম্প কৌবদা য়াওরকখিদে। হান্নদি জুনিয়র ওইজরবসু সিনিয়র প্লেয়র মরক্তা ইন্দিয়া কেম্প অদুম কৌরকখিবনি। তশেংনা মদুমদি ঐহাক নীংবা কায়খি। ইমুং-মনুং, কৈরোয়-লৈকায় ফুটবোলগী কোচ ময়ামগী মরক্তগীসু ঐহাক ইন্দিয়া কেম্প কৌরক্কনি হায়না অয়াম্বনা থাজবা লৈখি। ঐহাক্না ফুল হোপ

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা

অদুগা কুমজা ২০১৪দা তৌখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম থাগনি হায়বসিসু কুমজা ২০১২দগী লাউথোরকপা হৌরে। মতমদুদা অঙাং ওইজরবসু ঐহাক সাউথ কোরিয়াদা তৌখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা য়াওবা ঙম্নবা হোৎনগে হায়দুনা অচৌবা মঙলান অমদি শাগৎচরকখি।

তৌজরুরগা চৎপা ফঙখিদবদুমদি য়াম্না নুংঙাইখিদে। কুমজা ২০১৪গী ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা সিনিয়র ময়াম পুরগা চৎখি।

অমরোমদা, কুমজা ২০১৪ অসি ঐগী ওইনসু ফোর্ম ফজনা তারকপা অদুগুম্বা চহীনি। নেসনলদসু কন্না মমিং লৈখৎলকপা তাঙ্ককনি। হায়রিবা চহীদুগী নেসনল গেমস





মমাঙ এপ্রিল ২৭তগী মে ১৩ ফাওবা অসামদা পাঙথোকখিবা সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুদসু মণিপুর টিমনা ৱিন্নর লৌরকখি। মতমদুদা ঐহাক সিনিয়র নেসনলদসু গোলকিপর নম্বর ৱান ওইনা শরুক য়াজখি। নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা ফজরবদি মদুগী চান্স লৈগনি হায়না থাজবা পীখিবসু লৈখি। মদুগুম্বা খরসু লৈখিবনা, ঐগী ওইনসু হোৎনবা য়াবদি বেষ্ট লেভেলদা হোৎনজখি। অদুগা, লিষ্ট থোরকপা মতমদদি নেটতা ওইনা থাদোরকখি। মদুমদি ঐঙোন্দা তশেংনা নুংঙাইখিদে। ৱাখলগসি পুরা দাউন চৎখি। নুমিৎ খরনি অমদি ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবফাওবা তনখি। মথংগী এসিয়ন গেমস ঙাইরগে খল্লগা কোন্নবুদি তপ্না তপ্না পূক্লিং ফাজিনজরকখি।

মখা তারকপদদি, ঐহাক হান্নদগীসু হেন্না কন্না হোৎনবা অমুক হৌজরকখি। হকচাং ফিটনেস ওইনবগী, মাইন্দ কন্ত্রোল তৌনবগী ত্রেনিংদসু ৱাখল থাদরকখি। মদুগী রিজল্ট ওইনা কুমজা ২০১৪গী নবেম্বর ৫দগী ১১ ফাওবা জে ারদান্দা তৌখিবা এ এফ সী অন্দর-১৯গীদমক ইন্দিয়া কেম্প কৌবদা য়াওরকখি। ইন্দিয়া কেম্পতসু হেন্না ইমপ্রুভ লাক্নবা হায়দুনা কোচশিংদগী ঐনা খঙনীংবা কয়া তানদুনা রেস দে ফাওবা ৱারী-ৱাতাই তৌনদুনা লৈরকখি। মতমদুদা ঐগী ৱাখলদা কন্না ফাওবসি, ঐহাক্না করিগুম্বা ইন্দিয়া কেম্পসিদা গোলকিপর নম্বর ৱানগী রেঙ্কতা লৈবা ঙম্লবদি কৈদৌনুংদা ঐহাকপু খন্দোক্তুনা থল্লম্লোইহায়বসিনি। মদুদগী ঐঙোন দা অহেনবা খরা লৈবা ঙম্নবা হোৎনবা য়াবশিং অমত্তা খাক্তনা লোইনা হোৎনরগে হায়বা অমা লৈরকখ্রে। তশেংনা মদু য়াম্না কন্না চেলেঞ্জিং মুদ অমনি। জোরদান্দা এ এফ সী অন্দর-১৯ শান্নরুরগা কুমজা ২০১৪গী নবেম্বর ১৩দগী ২১ ফাওবা পাকিস্থান্দা তৌখিবা সাফ গেমস (সিনিয়র) তসু ঐহাক ইন্দিয়া টিমদা য়াওদুনা শান্নবা চৎচরকখি। মদুসু ঐখোয় জে ারদান্দগী পাকিস্থান্দা অদুম পাইখি। ঐনা কন্না হোৎনজরকপা অদুগী মপান্দগী নেসনল সিনিয়র টিমদা য়াওদুনা ঐহাক শান্নবা ঙম্লকখি। পূক্লিং শোন্থরগা লৈবনা ইশাদা অদুক্কী মতিক দাউন ওইহল্লি হায়বসিসু খঙখ্রবনিনা ৱাখল হন্থবা থাক অমত্তা মখা তানা তৌনীংখিদে। ঐগী লৈজরিবা পর্ফোর্মেন্স অসি হন্থদনবা ইন্দিয়া কেম্পতা মখা তানা লৈবা ঙম্নবা অফাওবা কোচ কয়াদগী তোঙান তোঙানবা মখলগী ত্রেনিং ফংননবা হোৎনরগে হায়না লেপ্লকখি।

...মথং-মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৪

১) ঐহাক ফুটবোলগী কোচ অমনি। ঐহাক মঙোন্দগী ফুট ১২ রোম লাপ্না লৈ। ঐখোয় অনীগী মরক্তা ফুটবোল বুট ময়াম অমা লৈরম্মী। ঐনা মঙোন্দা চঙশিল্লম্মী মদু ঐনা বুট অমা কন্না শাওদুনা কাওরম্মী। মদুনা মহাক্কী য়েৎথংবা পীশুমদা পাল্লম্মী। পীশুমদগী ঈ তারকখি। ঐ কনানো?

২) মহাক ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমা ফংখ্রবা মতুংদা মহাক্কী লৈবাক্কী পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৩) য়ু এস এনা বেলজিয়মবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ১৩-১১দা মায়থিবা পীদুনা ওলিম্পিক মশান্না অমদা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা থৌদোক অসি থোকখিবনো?

৪) ঐ ফুটবোল য়াম্না পামজৈ, ঐবু ফুটবোল শান্নবগীদমক মালেম অসিনা নুংশিবি। ঐ ফিজিকেল এদ্যুকেসনদা দিগ্রি অমা ফংবা ঙম্লে। ঐগী দিগ্রি অদু ফুটবোল কোচ ওইনবা লৌবা দিগ্রি নত্তে হায়না ঐনা মীয়ামদা হায়জখি। দিগ্রি অসি ফুটবোলগী ফিজিকেল ফিটনেসকী ওজা অমনা পাউতাক পীবদগী লৌখিবনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা লেপত্রবসু জপানননা ওলিম্পিক গেমস মতম হোংদবগী অচেৎপা থাজবা থম্লি

টোকিও, মার্চ ০৫ (এজেন্সী):

জপানগী ওলিম্পিক মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মমাঙদা লেপখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা চাইনাদা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোকখ্রবসু মতুং লৈবাক অদুমক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা শন্দোরক্লবসু চহী অসিগী জুলাই থাদা লেপ্লখিবা মতম অদুদা পাঙথোক্লনবা পান্দম থম্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি জপানগী পার্লিয়ামেন্টতা ওলিম্পিক মিনিষ্টর ওইরিবা সৈখো হাসিমোটোনা ফোঙদোকখিবদা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্তবা নত্রগা মতম য়ৈথোকপনা শান্নরোয়শিংদা কা হেনবা অৱাবা অমা পীবতা নত্তনা য়ানিংবা কয়া লাক্কদৌরি।

শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিক অসি শরুক য়াবা লাকপা মতমদা মশাদা চীংনবা অমদি অকিবা লৈহন্দবা মওংদা শান্নরিঙৈগী মনুংদা থম্নবা জপাননা পুম্নমক শেম শাগনি হায়না পার্লিয়ামেন্টতা মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াই, জপানদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগী মশিং য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবদা নৌনা মীওই ৩৬কী রিপোর্ট লাকখিবগা লোয়নন লৈবাক অদুদা পুন্না মীওই ১০০০ লায়না লায়চৎ অসিনা ইনফেক্ট তৌবগী রিপোর্ট লৈরি। লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা জপানদা লায়না লায়চৎ অসিনা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শীহনখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মমাঙদা ওলিম্পিক মিনিষ্টর হাসিমোটানা ওলিম্পিক গেম অসি জ ুলাইদা হৌগদবা অদু থেংথরগা চহী অসি লোইদ্রিঙৈদা পাঙথোকপা য়াই হায়বগী ৱাফম থম্লুবদা ৱাহং কয়া লাক্লখিবনি।

# ইংলেন্দগা শান্নগদবা মেচ নোংনা য়াখিদ্রবসু ইন্দিয়া ফাইনেল য়ৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগা টাইটলগীদমক লম্বা তৌনরগনি

ICC WOMEN'S T20 WORLD CUP AUSTRALIA 2020





সিদনি, মার্চ ০৫ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা আই সী সী ৱিমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নগদবা অহানবা সেমীফাইনেল মেচ অদু নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা য়াখিদ্রবসু ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম্না গ্রুপ মেচতা মায়থীখিদবা অদুনা মরম ওইদুনা ফাইনেল য়ৌদুনা মখাতানা নোংনা শান্নবা মপুং ফাহনখিদ্রবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেচতা সাউথ অফ্রিকাবু দি এল মেথদতা রন ৫দা মায়থীবা পীখিবা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা আই সি সি ৱুমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০গী অহানবা সেমী ফাইনেল শান্নগদবা অদুগী মাংওইননা নোং কন্না তারকপা মরম্না বোল অমত্তা লংদবীদা মেচ অদু মমাংদা শান্নখিবা গ্রুপ মেচশিংদা ফজবা ঙমখিবা ইন্দিয়ানা ফাইনেল য়ৌখিবা অদুদা ইংলেন্দগী কেপ্তেন হেদর নাইথনা পেন্দবা ফোংদোরকখি।

মহাক্না মখাতাখিবদা নোংনা মরম ওইরবসু রিজার্ভ ওইবা শান্নগদবা নুমিৎ অমা থম্বগী অপাম্বা অদু ফোংদোকখি। মহাক্কী ৱারোল অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন হরমনপ্রিট কোরনা নোংনা মরম ওইদুনা সেমীফাইনেল থাক্কী মেচ ফাওবদি রিজার্ভ দে অমা লৈহনগদবনি হায়না ফোংদোকখি।

নোংনা মরম ওইদুনা শান্নখিদ্রবা ৱুমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদুদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ঙসি ৱর্ল্ড কপ অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল মেচ অদু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকানা লম্বা তৌনখিবনি।

অহানবা বেটিং তৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১৩৪ লৌবা ঙমখি। অদুবু সাউথ অফ্রিকানা ওভর নোংনা তেনশিনখিবা মেচ অদুদা ওভর ১৩দা রন ৯৮ লৌবগী টার্গেট লৈখি। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ১৩ লোয়শিল্লকপদা রন ৯২ খক লৌখিবদগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ মায়থীবা নংখি।

# ওলিম্পিক বোক্সিংগী এসিয়ন ক্বালিফায়রদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অসিস কুমার ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

aiba OPEN BOXING
2020 Asia & Oceania Qualification Event

অমান, মার্চ ০৫ (এজেন্সী):

জোর্দানগী কোনুং অমানদা পাঙথোক্লিবা এসিয়া ওসিনিয়া ওলিম্পিক বোক্সিং ক্বালিফিকেসনগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৭৫গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর অসিস কুমার ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

এসিয়াগী বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা অসিস কুমারনা ঙসি অঙনবদা পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৭৫গী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ওইখিবা কিরগিষ্টানগী ওমুরবেক বেকজিগিট উলুবা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

অসিস কুমার অমদি ওমুরবেককী বাউট অদুবু কন্দক্ট তৌখিবা জজ মঙামক্লা ইন্দিয়াগী বোক্সর অদুগী ফজবা মশান্না অদুদা পোইন্ট হেন্না পীদুনা মায় পাকখি। মহাক্না টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়ৌনবগীদমক মথংগী রাউন্দ (ক্বার্টর ফাইনেল) দা ইন্দোনেসিয়াগী বোক্সর মাইখেল রোবার্দ মুস্কিতাগা লম্বা তৌনরগনি।

মাইখেলনা মহাক্কী প্রি ক্বার্টরদা ন্যু জিলেন্দগী বোক্সর রাইন স্কাইফেবু মায়থীবা পীরম্বনি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মুস্কিতা অমসুং অসিস কুমারগা লম্বা তৌনবদা করিগুম্বা ইন্দিয়াগী অসিস কুমারনা মায় পাকপা ঙম্লবদি মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ওইনা ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইদুনা চহী অসিগী জ ুলাই অমসুং ওগষ্ট থাদা জপাননা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

পনবা য়াই, ঙরাং ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর অনী সাক্ষি চৌধরি অমসুং সিমরঞ্জিৎ ভাথনা কিলোগ্রাম ৫৭ অমসুং ৬০গী কেটগরিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা মখোয়গী ওলিম্পিক্কী টিকেট নকশিনখ্রবনি।



# মেনচেষ্টর সিটি, লৈকেষ্টর অমসুং নোরৱিচ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

THE Emirates FA CUP

লন্দন, মার্চ ০৫ (এজেন্সী):

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অমদি মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা এফ এ কপ (ফুটবোল এসোসিএসন চেলেঞ্জ কপ) ২০১৯-২০গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা মেচনচেষ্টর সিটি, লৈকেষ্টর সিটি অমসুং নোরৱিচ সিটি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং সিফিল্ড ৱেদনসদে অমসুং মেনচেষ্টর সিটিনা লম্বা তৌনখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা নাকল অনীগী শান্নরোয়শিং পাঙ্গল মান্নখিবনা অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৮ চঙশিল্লকপদা মেনচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী সর্জিও একুইরোনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু মায় পাকখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা পেরৈরাগী অথেংবা পাঞ্জলনা বিরমিংঘম সিটিবু লৈকেষ্টর সিটিনা ১-০দা থোইখি।

ঙরাং অথেংবগী ৩শুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টেটোনহাম হোটস্পর অমসুং নোরৱিচ সিটি লম্বা তৌনবদা এক্সত্রা টাইম য়ৌরবা ফাওবদা ১-১দা লৈনখি।

মশান্না অসিগী কাংলোনগী মতুং ইন্না পেনাল্টি সুট আউটতা নোরৱিচ সিটিনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং দর্বি কাউন্টি টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ শান্নরগনি।

# ফর্স্ত টি ঐচ অনৌবী দেবী মেমোরিএল সোক্কর টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস):

য়ুনাইটেদ য়ুথ ওর্গনাইজেসন (য়ু ৱাই ও) শীংজমৈ ভৈগ্যাপতি লৈকাইনা শীন্দুনা টিম ৩৪না গ্রুপ ৫ থোক্লা চথরকপা 'ফর্স্ত দে এন্দ নাইট ওপন ৪-এ সাইদ থোকচোম অনৌবী দেবী মেমোরিএল সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা আই পি এম এস সী, ও এস এ, ৱাই এফ সী অমদি সন্তোস এফ সী মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা আই পি এম এস সীনা ই এস সীবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইখি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা ও এস এনা য়ু ৱাই ওবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই এফ সীনা ৱাই পি এ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি। অদুগা মরিশুবা মেচতনা সন্তোস এফ সীনা য়ু ৱাই ও (বি)বু পাঞ্জল ২-০দা থোইখি।

# ইন্দিয়ানা উজবেকিস্তানবু থোইদুনা ফজবা ঙমখ্রে

FedCup by BNP PARIBAS

দুবাই, মার্চ ০৫ (এজেন্সী):

মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী নুপীশিংগী টিমগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ফেদরেসন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী গ্রুপ 'এ'গী মেচ অমদা ইন্দিয়ানা উজবেকিস্তানবু ৩-০দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগী টিম চাইনাগী মখুৎতা ০-৩দা মায়থীখ্রবা মতুং ঙসি উজবেকিস্তানগা শান্নবা মেচ অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রুতুজা বোসালেনা উজবেকিস্তানগী অখগুল অমানমুরাদোভাবু ২-৬, ৬-২, ৭-৫তা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াবু মেচ অমা মাংজিল থাহনবা ঙমখি।

টাই অদুগী অনীশুবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী নম্বর ১ নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় অনকিতা রাইনানা উজবেকিস্তানগী সাবিনা সরিপোভাবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৭-৫, ৬-১দা পুং ১.৩০ চঙনা লম্বা তৌনখিবা মেচ অদু মায় পাক্তুনা ইন্দিয়ানা উজবেকিস্তানবু মায়থীবা পীখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নবা হৌখিবা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মেচতা সিঙ্গলসকী মেচ অমমম লৈবাক অনীনা মায় পাক্লরবা মতুং দবলসকী মেচ অদুগী অথোইবা টিম অদু মশক খঙগদৌরি।

অহানবা সিঙ্গলস মেচতা ইন্দিয়াগী রুতুজা ভোসালেনা সাউথ কোরিয়াগী সু জিওং ঝাংবু অকনবা লম্বা অমদা ৭-৫, ৬-৪দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সিঙ্গলস মেচতা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় অনকিতা রাইনাবু সাউথ কোরিয়াগী না লি হাননা ৬-৪, ৬-০দা থোইদুনা মেচ অমমম মান্নবদগী দবলসকী ওইনা ইন্দিয়াগী সাইনা মিরজা অমসুং অনকিতা রাইনানা সাউথ কোরিয়াগী না লি হান অমসুং নারি কিমগা লম্বা তৌনগদৌরি।

# মোহন বগান অমসুং চেন্নাই সিটি পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে, মোহন বগানগী লম্বা লৈরোইদৌরি

Hero I-LEAGUE

Match on 8 March (Sunday)

TRAU Vs INDIAN ARROWS

কোলকতা, মার্চ ০৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা কোলকতাগী মোহন বগাননা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসি শান্নখিবা হিরো আই লীগকী মেচ অমদা চেন্নাই সিটিগা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎতুনা লীগ অসি লোইশিল্লকপদা মখোয়বু হেনগৎকদবা তাঞ্জা অদু নেম্বনা টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

ঙসি কোলকতাগী কলয়ানি ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু মোহন বগান অমসুং লীগ অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন চেন্নাই সিটিগা লম্বা তৌনবদা নাকল অনীগী শান্নরোয়শিং লাকশিনবা ঙম্নদনা শান্নবা ঙমখি।



অহানবা হাফকী অপীবা মতমগী লোইরমদাই ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈরক্লবা মতুং ৪৫শুবা মিনটতা মোহন বগানগী মায়কৈদগী প্লে মেকর অমা ওইরিবা মণিপুর মচা নোংদম্বা নাওরেমনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট বি দিয়াৱারানা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা চেন্নাই সিটিবু মেচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপা অদুদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেন্নাই সিটিনা লীগ অসিগী টাইটল লৌবা ঙম্বগী লম্বেল লৈত্রবসু মেচ অদু থোইননবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি।

শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা জে দাসনা খাইরকপা বোল অমা টিমমেট ফিটোনা চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ওইখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।